

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিদা মখা তানা শান্নবা চহী অমগী কোন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রবা টিম অসিগী ৱিঙ্গর কিন লেৱিস*

*পাম্বোম সরজরি তৌবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২৬ তগী শান্নবা হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন য়াওরোইদৌরিবা রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা*

## নেসনেল কেম্পকী শান্নরোই ৩৭ খনগৎপদা মণিপুরদগী অমর্জিৎ, উদান্ত, রঞ্জন অমদি জেকীচান্দ য়াওখ্রে



অমর্জিৎ সিংহ



উদান্ত সিংহ



সলাম রঞ্জন সিংহ



জেকীচান্দ সিংহ

*ন্যু দিল্লি, মে ১৬ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা মথং থাগী ৫ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা কিংস কপ্তা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিম খন্নবগী কেম্প পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শান্নরোই ৩৭গী প্রোবেবলস লিষ্ট খনগৎপদা মণিপুরদগী অমর্জিৎ সিংহ কিয়াম, উদান্ত সিংহ, সলাম রঞ্জন সিংহ অমদি জেকীচান্দা সিংহ য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা নৌনা খনখ্রবা ইগোর ষ্টিমেকনা নেসনেল কেম্পকীদমক খনগৎলবা শান্নরোই ৩৭ কী লিষ্ট অদু ঙসি লাওথোকখিবনি।

অমর্জিৎ সিংহ কিয়াম কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা কেপ্টেন ওইখিবনি। মশাগী চহী ১৮ শুরবা অমরজিৎ ইন্টরনেসনেল মেটচ ৩৭ শান্নবদা গোল ৩ চনবা ঙমখ্রে। মহাক হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী ক্লব জমসেদপুর এফসিদা সেন্টর মিদফিল্ড ওইনা শরুক য়ারি অদুবু ইন্দিয়ান এরোজদা লোন ওইনা শান্নরি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা মণিপুরগী শান্নরোই কুমাম উদান্ত সিংহ ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিদা রাইট ৱিঙ্গর ওইনা য়াওরবসু লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ক্লব মুম্বাই সিটিদা হৌজিক-হৌজিক লোন ওইনা শান্নরি। উদান্ত ইন্টরনেসনেল মেটচ ২৬ শান্নখিবদা গোল ৫ চনবা ঙমখ্রে।

সলাম রঞ্জন সিংহ হৌজিক হৌজিক ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবতা সেন্টর বেক ওইনা শান্নরিবনি। মশাগী চহী ২৩ শুরবা রঞ্জন কুমজা ২০১৬ তগী ইন্দিয়াগী নেসনেল টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৮ শান্নবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি।

কেম্প অসিগী খনগৎখ্রবা মণিপুরগী অতোপ্পা শান্নরোই জেকীচান্দ সিংহ এফ সি গোৱাদা হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবনি। মশাগী চহী ২৭শুরবা জেকীচান্দ ইন্দিয়াগী ওইনা মেটচ ১৮ শান্নবদা গোল ২ চনবা ঙমখ্রে।

নেসনেল কেম্পকী মেম্বর ৩৭ খনগৎপদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই জেজে লালপেখলুৱা শোকপনা মরম ওইরগা য়াওখিদ্রে। হালিচরন নারজারি, মান্দর রাও দেসাই, আসিক কুরুনিয়ান, নরেন্দর গেহলোট অমদি জেরী লালরিনজুৱালাসু হৌজিক লায়েং চথরিবা মরম্না লিষ্ট অসিদা য়াওখিদ্রে।

ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ২০ দগী হৌগদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোই ৩৭ কী প্রোবেবলস লিষ্ট অদুদি-

গোলকিপরদা গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু, ভিসাল কাইথ, অমরিন্দর সিংহ অমদি কমলজিৎ সিংহনি।
দিফেন্দরদ প্রিতম কোটাল, নিসু কুমার, রাহুল ভেকে, সলাম রঞ্জন সিংহ, সন্দেস ঝিঙ্গান, অদিল খান, অনৱার আলী, সুভাসিস বোস অমদি নরায়ান দাসনি।

মিডফিল্ডরগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি উদান্ত সিংহ, জেকীচান্দ সিংহ, ব্রেন্দোন ফর্নান্দেজ, অনিরুধ থাপা, রেনিয়র ফর্নান্দেজ, বিক্রমজিৎ সিংহ, ধনপাল গনেস, প্রনোই হাল্ডর, রোল্লিন বোরগেস, জর্মনপ্রিত সিংহ, ভিনিট রাই, সাহাল অব্দুল, অমরজিৎ সিংহ কিয়াম, রেদিম তলাং, লাল্লিয়ানজুৱালা ছাংটে, নন্দা কুমার, কোমল থাটাল অমদি মাইকেল সুরসাইরাজনি।

ফোরদৱার্দকী শান্নরোইশিং অদুদি বলৱন্ট সিংহ, সুনিল ছেত্রি, জেৱী জষ্টিন, সুমিত পাসি, ফারুখ চৌধারি অমদি মনভির সিংহনি।

## লাজিওনা অটলান্টা ২-০ দা থোইরম্লগা কোপ্পা ইটালিয়া কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, এজাক্সনা দটচকী টাইটল ফংখ্রে

*রোম, মে ১৬ঃ*

ইটালিগী নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপ্পা ইটালিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লাজিওনা অটলান্টাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে, এজাক্স অমষ্টরদামনা টেবলগী মকোক ওইদুনা দটচ লীগ টাইটল ফংখ্রে।

মমাঙ চহীগী জুলাই ২৮ দগী শান্নবা হৌখিবা কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি রোমদা লৈবা ষ্টদিও ওলিম্পিকোদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লাজিওনা অটলান্টাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা লীগ অসিগী ৭লকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।



*কোপ্পা ইটালিগী টাইটল ফংখ্রবা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

নীংশিংবা য়াবদি কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা লাজিওনা মিলানবু এগ্রিগেটতা ১-০ দা হেল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা রন্নর্স অপ তাহৌরবা অটলান্টানা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ফিওরেন্টিনাবু এগ্রিগেটতা ৫-৪ দা হেল্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

কোপ্পা ইটালিয়াগী ঙসি লাজিও অমদি অটলান্টানা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু টিম অনীগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়-মখোয়গী গোল এরিয়াশিং অদু নীংথিনা ঙাক্কুনা লৈখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু টিম অনীমক পাঙ্গল মান্নবা অমনা অমবু হেনজিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা সরগেজ মিলিনকোভিস সাভিসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিহনখি।

পাঞ্জল অমা শোখদুনা লৈরিবা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী অরোইবা মিনট ৯০ চৎপদা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা জোক্কিন কোরিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা হেন্দুনা লৈখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না অটলান্টাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা কোপ্পা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৭লকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা নেদরলেন্দসকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা লীগ মেটচ অমদা এজাক্স অমষ্টরদামনা দি গ্রাফস্কেপপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৮৬ ফংবা ঙমদুনা মকোক ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা এজাক্স অমষ্টরদামগী শান্নরোই লাজে স্কোননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। ৪০শুবা মিনটতা দি গ্রাফস্কেপকী শান্নরোই য়ৌসেফ ইল জেল্লিনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং এজাক্সকী শান্নরোই নিকোলাস টাগ্লিয়াফিকোনা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা এজাক্সনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা দুসান টাদিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৭শুবা মিনটতা দুসান টাদিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪-১ দা মায় পাক্কুনা টেবলগী মকোক ওইদুনা দটচ লীগকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

## নেরোকাগী মমিং লৈরবা মিডফিল্ডর নাওরেম তোন্দোম্বা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকা চহী ৪ শান্নবগী সাইন তৌনখ্রে

*কোলকটা, মে ১৬ঃ*

মণিপুরগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব নেরোকা এফসিদা মিদফিল্ডর ওইনা হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবা নাওরেম তোন্দোম্বা সিংহ ইষ্ট বেঙ্গলগী মমিং লৈরবা ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলগা চহী ৪ শান্নবগীদমক সাইন তৌনখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবা মিদফিল্ডর নাওরেম তোন্দোম্বা সিংহ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেম্থাদগীনি। মহাক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ফুটবোল মশান্না অসি য়াম্না পামজনা হৌরকখিবনি।

তোন্দোম্বা অহানবা ওইনা মেঘালয়াগী ফুটবোল একাদেমী শিল্লং লাজোং য়ুঠ একাদেমীদা য়াওদুনা মফম অসিগী ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শান্নবা হৌরকখি।

শিল্লং লাজোংদা মতম খরা শান্নরম্লবা মতুং মরমদমগী ক্লব নেরোকা এফ সিগী চহী ১৮ মখাগী ফুটবোল টিমদা অমুক য়াওদুনা শান্নখি। মহাক মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়ানবগীদমক ক্লাসা ফুটবোল ক্লবতা য়াওনবা নেরোকা এফ সিগী চহী ১৮ মখাগী ফুটবোল টিম থাদোক্লমখি।



*মণিপুরগী ফুটবোল্লর নাওরেম তোন্দোম্বা সিংহ*

মণিপুর ষ্টেট লীগ শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুংদা নাওরেম তোন্দোম্বা নেরোকা এফসিগী সেনিয়র ফুটবোল টিমদা মিডফিল্ডরগী থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, নাওরেম তোন্দোম্বা হন্দক্তা লোইশিনখিবা হেরো আই-লীগতা মণিপুর ক্লব নেরোকা এফসিদা শরুক য়াখিবদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। মহাক্না শান্নখিবা মেটচশিংগী মিদফিল্ডদা লৌরিবা থৌদাং, পাস তৌবগী ফজবা অমদি খোঙলৈ থুবা অদুগীদমক ক্লব অসিগী হান্না কোচ মানুয়েল রেটামেরো ফ্রেইলনা অপেনবা ফোঙদোকপা লৈখি।

হেরো আই-লীগ ২০১৮-১৯ সিজনদা নেরোকা এফ সিনা অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচতা কোলকটাগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলগী মখূত্তা মায়থিবা নংখি। অদুবু মেটচ অদুদা নেরোকা এফসিদা শরুক য়ারিবা নাওরেম তোন্দোম্বনা পীখিবা ফজবা মিদফিল্ডরগী পার্ফোমেন্স অদুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী কোচ আলেজান্দ্রো মেনেন্দেজ মীফম হোংদনা লৈহনখি।

ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লব কুমজা ২০১৮-১৯ হেরো আই-লীগতা চেম্পিয়ন ওইখিবা চেন্নাই সিটিদগী শুপ্নগী পোইন্ট অমখক শোখরগা অনীশুবা পোজিসন তাহৌবনি। সিজন অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী মিদফিল্ডরগী শরুকশিংদা য়াম্না অহোবা লৈখি। মরম অসিনা ক্লব অসি অনীশুবা পোজিসন তাহৌবনি হায়খি।

সিজন অদুদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মিদফিল্ডরগী লৈরিবা অহোবশিং অসি মেনখৎলবদি হেন্না ফজবা পাফোমেন্স পীবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা টিম অসিগী কোচ ওইরিবা আলেজান্দ্রো মেনেন্দেজনা নেরোকা এফসিদা মিদফিল্ডর ওইনা শান্নরিবা নাওরেম তোন্দোম্বা সিংহবু ক্লব অসিগী মিদফিল্ডরদা শরুক য়াহনন্নবগীদমক চহী ৪ গী ওইনা সাইন তৌনখিবনি হায়রি।


## ফ্রান্সকী লাদেনোভিস ইটালিয়ান ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

INTERNAZIONALI BNL D'ITALIA
BNP PARIBAS

*রোম, মে ১৬ঃ*

রোমদা চথরিবা ক্লে কোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্ট ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ফ্রান্সকী শান্নরোই খৃষ্টিনা লাদেনোভিস অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্কুনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইটালিন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-২, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী স্বারেজ নভারোবু ৬-৪, ১-৬, ৬-৩ দা থোইরম্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাগা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা অজারেনকানা অহানবা সেট ৬-৪ দা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেটসু ৩-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ মুগুরুজা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বৃটেনগী জোহানা কোন্টানা য়ু এসকী ভেনস ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেট ৬-২, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভাবু ৬-৩, ৬-৩ দা থোইরম্লগা ৩শুবা রাউন্দ চঙখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা স্পেনগী এফ ভরদাস্কোরনা ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিদা ১১শুবা সিদেদ ওইরিবা রুশিয়াগী কারেন খাচানোভপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৭-৫, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টজমেননা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইটালিগী শান্নরোই এম বেরেট্টিনিবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। ৬শুবা সিদেদ জপানগী কৈ নিসিকোরিবু অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী টি ফ্রিটজবু ৬-২, ৬-৪ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## দেরবি কাউন্টি ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌদুনা এষ্টোন ভিল্লাগা লম্বা তৌনরগনি

*লন্দন, মে ১৬ঃ*

ইংলেন্দগী নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা দরবি কাউন্টনা লিদস য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৪-৩দা হেন্দুনা ফাইনেলদা এষ্টোন ভিল্লাগা শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াই, টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা লিদস য়ুনাইটেদনা দরবি কাউন্টিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইরম্বনি।

ঙসিগী অনীশুবা লেগকী মেটচঅদুগী ২৪শুবা মিনটতা লিদস য়ুনাইটেদকী শান্নরোই ষ্টুৱার্ট দাল্লাসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা কুইনা লৈনখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা দরবি কাউন্টিগী শান্নরোই জেক মেরিয়োটনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা অহানবা মিনটতা দরবি কাউন্টিগী শান্নরোই মেসন মাউন্টনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা দরবি কাউন্টিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা ৫৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখি। পাঞ্জল শোয়দনা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবা কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোই হেরি ৱিলসননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা লিদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ষ্টুৱার্ট দাল্লাসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা দরবি কাউন্টিগী শান্নরোই জেক মারিয়োটনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪-২ দা মায় পাক্কুনা এগ্রিগেটতা ৪-৩ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌখি।

## সুট্টরশিং ওলিম্পিক কোটা ফংখিদ্রে

*চাংৱোন, মে ১৬ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা সোটগন ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং টোকিও ওলিম্পিক্সকী কোটা অমত্তা ফংবা ঙমহৌদ্রে।

ইন্দিয়াগী সুট্টর কিনান চেনাই নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না স্কোর ১২০ তৌদুনা ১৫শুবা পোজিসন তাহৌবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সুট্টর জোরাভার সিংহসু অনীশুবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা ফজবা ঙমখিদবদগী পুন্না পোইন্ট ১১৬ ফংবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

ক্রোসৱার্দ ১৬১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | V | S | | A | I | S | L | E | | S | P | A | T |
| A | L | E | C | | C | R | I | E | R | | T | I | L | E |
| D | I | N | E | | T | E | R | M | I | N | A | T | O | R |
| A | T | O | N | E | | | L | O | C | O | | T | E | N |
| R | E | M | I | T | | B | O | N | S | A | I | | | |
| | | | C | H | I | L | I | | | H | O | R | S | E |
| F | R | O | | A | R | E | N | A | S | | N | E | I | L |
| R | O | M | A | N | I | A | | R | U | S | S | E | L | L |
| A | P | E | X | | S | T | R | I | P | E | | D | O | S |
| T | E | N | E | T | | | O | A | S | E | S | | | |
| | | | L | A | S | S | O | S | | P | A | P | A | S |
| A | D | O | | G | A | L | S | | | S | L | A | N | T |
| L | E | G | I | S | L | A | T | O | R | | I | N | T | O |
| S | A | L | T | | E | V | E | R | Y | | N | E | E | R |
| O | R | E | S | | M | E | R | G | E | | E | L | S | E |

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

NOTIFICATION
Imphal, the 16th May, 2019

No. 2/76/98-HSC In pursuance of Resolution No. 1.1 of the Examination Committee meeting held on the 16th May, 2019, it is, hereby, notified for general information to all the concerned Head of Institutions under the Council and the students who are to appear in the ensuing Higher Secondary Improvement Examination, 2019 :

1. For those students placed under EIE (Eligible for Improvement Examination) category and students who have passed but failed in the 4th Elective Subject in the Higher Secondary Examination, 2019, the concerned Principals may collect the Original Statement of Marks along with the Examination forms for the Higher Secondary Improvement Examination, 2019 from the Council office with effect from the 18th May, 2019. The duly filled in Examination Forms along with the necessary fees and documents should be submitted to the Council office on or before the 30th May, 2019.

2. Those students who have passed in the Higher Secondary Examination, 2019 but desire to appear in the Higher Secondary Improvement Examination, 2019 may appear in the said examination in one subject only. In this regard, the concerned Head of the institution shall submit an application along with the details of the students who desire to appear in the Higher Secondary Improvement Examination, 2019 on or before the 25th May, 2019. Further, the Examination Forms for the said students may be collected from the Council office with effect from the 27th May, 2019. The duly filled in Examination forms with necessary fees and documents should be submitted to the Council office on or before the 30th May, 2019.

3. The Original Statement of Marks for the Higher Secondary Examination, 2019 in respect of the above students should be submitted to the Council office along with the Examination forms.

4. Incomplete Examination forms shall be rejected summarily.

Sd/-
*(Ph. Mantri Singh)*
Controller of Examinations,
Council of Hr.Sec.Edn., Manipur

*SL/B (COHSEM)/17*